# টর্কিস প্রসিদেন্ট ইর্দোগানগী পোইন্ট মরি রসিয়াগী অপাম্বগা চান্নদে: য়ুক্রেন

কিভ, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ তায়িপ ইর্দোগান্না পল্লক্লিবা নিগোসিএসনগী পোইন্ট মরি রসিয়াগী অপাম্বগা চান্নদে হায়না য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর দিমিট্রো কুলেবানা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা কুলেবানা য়ুক্রায়িন্সকা প্রাভদাদা হায়খি, মদুদি টর্কিস প্রসিদেন্টনা পল্লকখিবা পোইন্ট মরি রসিয়াগী অপাম্বগা চান্নদে। মরু ওইনা য়ুক্রেনগী অমত্তা ঙাইরবা ষ্টেট লেঙ্গুয়েজদি য়ুক্রেনিয়ননি অমসুং মসি মখা তানা ষ্টেট লেঙ্গুয়েজ ওইদুনা লৈগনি।

মরু ওইনা নিগোসিএসনগী মরু ওইবা টোপিকশিং পোইন্ট মরি থোক্লা নত্ত্রগা অতৈ মশিং কয়া থোক্লা খায়দোকপা হায়বসি মরম চাদে। নুমিত্তুগী অঙনবদা প্রসিদেন্ট ইর্দোগান্না পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মদুদি ইস্যু মরিদা মোস্কো অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা য়ান্নবা পুরকপা য়াবগী ফিভম লৈরে। পোইন্টশিং অদুদি য়ুক্রেননা নাটোদা য়াওবা, রসিয়ন লেঙ্গুয়েজবু



য়ুক্রেনগী অনীশুবা লেঙ্গুয়েজ ওইনা শকখঙবা, দি মিলিটেরাইজেসন অমসুং কলেক্টিব সেক্যুরিটি অসিনি।

তৌইগুম্বসুং ক্রিমিয়া অমসুং ইষ্টর্ন দোনভাষ্ট রিজনগী তুংগী ষ্টেটসকা মরী লৈনবা রসিয়ন দিমান দশিংনা মখা তানা নেগোসিএসনদা য়ান্নদনবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম ওইগদৌরি হায়না টর্কিস প্রসিদেন্ট অসিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী লুচিংবশিং টোকিপশিং অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ অমা পুরক্ল বা টর্কিদা পুলহন্নবা হোৎনগে হায়না হৌখিবা চয়োলদা ইর্দোগান্না ওফর তৌখিবনি। য়ুক্রায়িন্সকা প্রাভদাদা কুলেবানা মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়াগা পিছ টোল্ক চত্থরিবা মহাক্কী লৈবাক্কী দেলিগেসন্না ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা অকনবা ফিরেপ অমা লৌখি অমসুং মখোয়গী দিমান দশিং অদুদগী হন্দোকপা লৈত্রি। য়ুক্রেননা ইহান হানবা ওইনা তৌহন্নিংলিবদি সিজ ফায়র পুরকপা অসিনি। মসিগা লোয়ননা য়ুক্রেনগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি অমসুং সেক্যুরিটি গরেন্টিশিং লৈহনবা অসিসু মরু ওই হায়না কুলেবানা চেকশিন্না ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা মখা তারদুনা হায়খি, মদুদি মহাক্কী লৈবাক্লা মরা তপ্পা ফিভম অমা লাকহন্নবগীদমক্তা মখা তানা টর্কি অমসুং ইন্টরেষ্ট লৈবা পার্টি খুদিংমক্কা ৱারী শান্নখিগনি। মরুপ লৈবাক অমা ওইনা অমসুং ষ্ট্রেটেজিক পার্টনর অমা ওইনা টর্কিনা হিরম খুদিংমক্তা য়ুক্রেনবু মখা তানা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ। রসিয়াগী লানগী মেছিন লেপহনবা অমসুং নেগোসিএসনদা অপাম্বা মওংদা প্রোগ্রেস লৈহন্নবগীদমক্তা রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবশিং থম্বা অমদি য়ুক্রেনগী দিফেন্স কেপেবিলিটিশিং হেনগৎহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়নসু ঐহাক্কী মায়কৈদগী নৌহৌননা থম্বা পাম্মী।

ট্রাইপর্টাইদ ষ্ট্রেটেজিক হায়বদি অথিংবশিং থম্বা, মিলিটরি সপোর্ট পীবা অমসুং নিগোসিএসন লেপ্তুনা চত্থবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্লা শৌগৎকদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা হেন্না কনবা অথিংবশিং থম্নবা য়ুএসনা অনৌবা য়ুএন রিজোলুসন পুথোক্লগনি: এনভোই

ৱাশিংতন, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
পিওংয়াংনা অনৌবা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বালিষ্টিক মিসাইল (আইসিবিএম) অমা কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখিবসিগী রেস্পোন্স ওইনা য়ুএসনা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিং হেন্না কনশিলহনগদবা অনৌবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিল (য়ুএনএসসি) রিজোলুসন অমা পুথোক্লগনি হায়না ৱার্ল্ড বোদি অসিদা লৈরিবা ৱাশিংতনগী এনভোইনা লাউথোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অমদা এম্বেসেদর লিন্দা থোমাস-গ্রিনফিল্ডনা হায়খি, মদুদি দি পি আর কেনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলক্তুনা লেপ্তুনা কায়হৌরকপগী ফিভম অমা লৈরিবা অসিনা মরম ওইরগা য়ুএসনা তঙাই ফদনা চেপ্টর তরেৎকী সেক্যুরিটি কাউন্সিল রিজোলুসন পুথোক্তুনা পিওংয়াংগী রেজিম অসিগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিং অপদেট তৌরগনি অমসুং কনশিলহল্লগনি। দি পি আর কে অসি নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসিএল মিং ওইরিবা



দেমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়া হায়বনি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, শগোলশেল নুমিত্তা আইসিবিএম লোঞ্চ তৌখিবা অদুনা নোর্থ কোরিয়ানা কুমজা ২০১৭ গী নবেম্বরদগী লোং-রেঞ্জ মিসাইল টেষ্ট তৌবদা মশানা অথিংবা থমজরকখিবদু লোইশিনখি। অনৌবা হাইপরসোনিক মিসাইল অমসুং ইন টরমিদিএট-রেঞ্জ বালিষ্টিক মিসাইল অমা য়াওনা মমাঙদা মিসাইল টেষ্ট ১১ পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মসিনা চহী অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা খ্বাইদগী নৌবা ফোর্স উৎপগী থৌদোক্লি।

থোমাস গ্রিনফিল্ডনা কাউন্সিলগী মীফম অদুদা হায়খি, মদুদি সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা খোঞ্জেল অমত্তা ওইনা দিপিআরকেগী লোনা য়াদবা এক্সনশিং কন্দেম তৌবগা লোয়ননা দিপিআরকেবু ৱারী শান্ননবা পুক্লিং থৌগৎকদবনি।

কুমজা ২০১৭ মতুংদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী অপাম্বা পব্লিক মীটিং অদু য়ুএস অমসুং য়ুকে অমদি ফ্রাঞ্চ য়াওনা মেম্বর ১৫ লৈবা কাউন্সিলগী অতৈ মেম্বর মঙানা হায়জবদগী পাঙথোকখিবনি।

এনভোই অসিনা নৌহৌননা হায়খি, মদুদি য়ুএসনা মখা তানা দিপ্লোমেটিক সোলুসন অমা পুরক্ল বগী অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা লৈ। ঐখোয়না ৱারী শান্ননবা হঞ্জিন হঞ্জিন ওফর তৌরিবসি দিপিআরকেনা য়ারক্কনি হায়বগী থাজবসু ঐখোয়দা লৈ। তৌইগুম্বসুং দিপিআরকেনা হঞ্জিন হঞ্জিন সেক্যুরিটি রিজোলুসন ভাইওলেট তৌরকপা মতমদা ঐখোয়না তুমিন্না য়েংদুনা লৈবদি তৌরোই।

অরানবা তৌবশিংবু করম্না সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা রিৱার্দ পীগদৌরিবনো হায়রদুনা মহাক্লা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোক্লবগী ৱাফম হৌদোরক্লিবশিংবু কন্না য়ানিংদবা উৎখি। অদুম ওইনমক য়ুএসনা অনৌবা য়ুএনএসসি রিজোলুসন অদু করম্বা মতমদা পুথোরক্কদৌরিবনো হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

# ফেব্রুৱারী ২৪ দগী য়ুক্রেনগী হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা এটেক্ট ৭২ চত্থখ্রে : দব্লিয়ুঐচও




জেনেভা, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা য়ুক্রেনগী হেল্থ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা টার্গেট তৌদুনা চত্থখিবা এটেক্ট মশিং পুন্না ৭২ শুরে হায়না ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ফোঙদোরক্লি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী সর্ভিলেন্স সিষ্টেম ফোর এটেক্টস ওন হেল্থ ক্যের (এসএসএ) গী মতুং ইন্না এটেক্ট ৭২ গী মনুংদা ৫৮ না ফেসিলিটিশিংদা অমাঙ অতা থোকহনখি, ১১ না ট্রান্সপোর্টেসনদা শোকহনখি, ১৬ না পর্সনেলশিংদা শোকহনখি, ১০ না পেসেন্টশিংদা, ৮ না সপ্লাইগী থবকশিংদা অমসুং অমনা ৱায়র হাউস অমদা শোকহনখি।

দব্লিয়ুঐচওগী য়ুক্রেন রিপ্রজেন্টেটিব জর্নো হাবিসনা বিবিসিদা ফোঙদোরকখিবদা এটেক্টশিং অদুদা পুন্না মীওই ৭১ শিখি অমসুং মীওই ৩৭ না অশোক অপন নঙখি। ঐখোয়না খ্বাইদগী হেন্না নুংনাংলিবদি মীশি মীনাগী মশিং নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা অসিনি। হেল্থ ফেসিলিটিশিং ডাক্তর অমদি নর্স অনীমক্কী খুদোংথীনিংঙাই ওইদবা মফমশিং ওইহনবগা লোয়ননা পেসেন্টশিংনসু লায়েংবা লাকপদা খুদোংচাবা মফম ওইহনগদবনি। অসুম্না শাথিরবা এটেক্টশিং চত্থরিবসি হেল্থ ফেসিলিটিশিংদদি থোকহল্লোইদবনি।

হৌজিক চত্থরিবা রসিয়া-য়ুক্রেন লান অসি ষ্টেট অনীগী ইন্টরনেসনেল আর্মর্দ কনফ্লিক্ট অমা ওইদুনা জেনেভা কনভেন্সন এপ্লাই তৌবা য়াই। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা এক্সপান্দ তৌখিবা কনভেন্সনশিং অদুদা সিভিলিয়ানশিং অমসুং মিলিটরি পার্সনেলশিংগী বেসিক রাইটশিং পনবগা লোয়ননা অনাবা অমদি অশোক অপন নঙলবা মীওইশিংবু প্রোটেক্সন পীবগী ৱাফমসু পল্লি।

কনভেন্সনশিং অদু কুমজা ১৯৫৪ দা মতমদুগী সোভিয়েট য়ুনিয়ন্না রেটিফাই তৌখি। কনভেন্সনশিং অদুগী আর্টিকল ১৮ গী মখাদা সিভিলিয়ন হোস্পিটালশিং অসি এটেক্ট চত্থনবগী টার্গেট ওইহনবা য়াদে। এটেক্ট তৌবগী মহুত্তা সিভিলিয়ন হোস্পিটালশিংবু মতম পুম্নমক্তা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা প্রোটেক্সন পীগদবনি।

রুল অসিবু থুগায়রম্বা থোক্লবদি মদুবু হেগতা লৈরিবা ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টনা থিজিনবা য়াই। করিগুম্বা ৱার ক্রাইম চত্থরম্বগী থৌওং থেংনরবদি মদুদা চেন্নরিবশিং ৱায়েল চত্থদুনা চৈরাক ফঙহনবা য়াই। য়ুক্রেনগী হোস্পিটাল অমদা খ্বাইদগী নৌনা এটেক্ট তৌখিবদু মার্চ ৮ দনি। নৌনা শেমজিন শাজিল্লবা ইজিয়ুম সিটিগী সেন্ট্রেল হোস্পিটাল অদু রসিয়ন ফোর্সশিংনা সেল এটেক্ট চত্থখিবনি।

# ফোরেন ফোর্সশিং খুদক্তা সিরিয়া থাদোক্লবা ইরান্না হায়খ্রে

টেহরান, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
সিরিয়াদা লৈরিবা ফোরেন ফোর্স পুম্নমক খুদক্তা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা লৈবাক অসি থাদোক্কদবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈরিবা ইরানগী এম্বেসেদর মাজিদ টক-রভঞ্চিনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোকখিবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী সেসনদা ৱা ঙাঙলদুনা ইরানগী দিপ্লোমেট অসিনা সিরিয়াদা লৈরিবা ফোরেন ফোর্সশিংবু মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা লৈবাক অসিগী নেচরেল রিছোর্সশিং হাইহৎপা অমদি সিরিয়াগী সোভরেন্টি, য়ুএন রিজোলুসনশিং অমসুং য়ুএন চার্টর ভাইওলেট তৌবগী মরাল শীখি।

মরম অদুনা অমেরিকান ট্রুপশিং য়াওনা সিরিয়াদা লৈরিবা মপানগী ফোর্স পুম্নমক কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা খুদক্তা লৈবাক অসি থাদোক্কদবনি হায়না ইরানগী য়ুএন এম্বেসেদর অসিনা সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী সেসন অদুদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি।

এম্বেসেদর টক-রভঞ্চিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা অথিংবা কয়া থমদুনা সিরিয়াগী মীয়াম্না শেল থুম য়াওনা মখল খুদিংগী অৱাবা কয়া খাঙদুনা লৈরি। সিরিয়ান গভর্নমেন্টনা কুমজা ২০১১ দগী খুৎলায় পায়বা রেবেলশিংগা লাম্ন্থেংনরকপদা ইরান্না গভর্নমেন্টগী মরু ওইবা মীচং অমা ওইদুনা লাকখিবনি।

# BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

## ꯑꯣꯐꯤꯁ ꯑꯣꯔꯗꯔ / NOTIFICATION

Imphal, the 26th March, 2022

No. Ex/198/11(pt) : The following list of Examination Centres for the High School Leaving Certificate Examination, 2022 are hereby announced along with the venues and Roll Numbers of the Candidates allotted to each centre for general information of all concerned. For other details, candidates may contact the Officers-in-Charge of their respective Examination Centres. **Candidates are also informed that they are required to bring blue/black ball point pens for darkening the OMR bubbles/ circles.**

HL-P/1989/27

**Sd/- Dr. S. Mangijao Singh**
**Secretary**

## BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR
## CENTRE LIST FOR H.S.L.C. EXAMINATION 2022

| CNO | CENTRE NAME | TOT | RANGE |
|---|---|---|---|
| 1 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL , MARAM | 246 | 10001-10246 |
| 2 | MAO MARAM HIGHER SECONDARY SCHOOL, TADUBI | 307 | 10247-10553 |
| 3 | SARDAR PATEL HIGH SCHOOL, MAO | 89 | 10554-10642 |
| 4 | OKAI ACADEMY, MAO | 182 | 10643-10824 |
| 5 | BETHANY HIGHER SECONDARY SCHOOL, SENAPATI | 172 | 10825-10996 |
| 6 | ST. ANTHONY'S SCHOOL, RIKHUMAI, SENAPATI | 225 | 10997-11221 |
| 7 | LAO RADIANT SCHOOL, KARONG | 181 | 11222-11400<br>49479-49480 |
| 8 | GRACE ENGLISH SCHOOL, KHABUNG KARONG, SENAPATI | 129 | 11401-11529 |
| 9 | DAIKHO VA SCHOOL, SENAPATI | 221 | 11530-11750 |
| 10 | PURUL HR. SEC. SCHOOL, PURUL | 184 | 11751-11934 |
| 11 | UKHRUL HR. SEC. SCHOOL | 237 | 11935-12171 |
| 12 | O.T.C. JUNIORS' ACADEMY, UKHRUL | 125 | 12172-12296 |
| 13 | SAVIO SCHOOL, UKHRUL | 213 | 12297-12508<br>49722 |
| 14 | KTL. EXCEL HIGHER SEC. SCHOOL, PHUNGREITANG | 313 | 12509-12821 |
| 15 | MODEL HIGH SCHOOL, UKHRUL | 292 | 12822-13113 |
| 16 | UKHRUL CENTRAL SCHOOL, UKHRUL | 227 | 13114-13340 |
| 17 | KAMJONG HIGH SCHOOL, KAMJONG | 95 | 13341-13435 |
| 18 | SOMDAL N.K. HR. SEC. SCHOOL, SOMDAL | 274 | 13436-13709 |
| 19 | PHUNGYAR HIGH SCHOOL, UKHRUL | 86 | 13710-13795 |
| 20 | KASOM KHULLEN HIGH SCHOOL, KASOM KHULLEN | 226 | 13796-14021 |
| 21 | CHINGAI HIGH SCHOOL, UKHRUL | 187 | 14022-14201<br>49481-49487 |
| 22 | CHRISTIAN MODEL ENGLISH HR. SEC. SCHOOL TAMENGLONG | 205 | 14202-14406 |
| 23 | LANGMEI HIGHER SECONDARY SCHOOL, TAMEI | 194 | 14407-14599<br>49723 |
| 24 | PRETTY LAMB INSTITUTE, TAMENGLONG | 259 | 14600-14858 |
| 25 | TAMENGLONG HR. SEC. SCHOOL, TAMENGLONG | 117 | 14859-14975 |
| 26 | SHARON ENGLISH HIGH SCHOOL, NONEY | 231 | 14976-15206 |
| 27 | TENGKONJANG HR. SEC. SCHOOL, TAMENGLONG | 322 | 15207-15528 |
| 28 | KHANGSILLUNG HR. SEC. SCHOOL, KHOUPUM | 106 | 15529-15634 |
| 29 | DON BOSCO HIGH SCHOOL, KHOUPUM | 74 | 15635-15708 |
| 30 | NUNGBA HIGH SCHOOL, TAMENGLONG | 191 | 15709-15899 |
| 31 | IDEAL HIGH SCHOOL, PALLEL | 207 | 15900-16106 |
| 32 | M.G. EVERGREEN HIGH SCHOOL, PALLEL | 349 | 16107-16447<br>49488-49489<br>49724-49729 |
| 33 | ST. JOSEPHS HIGH SCHOOL, KURAOPOKPI | 235 | 16448-16678<br>49490-49492<br>49730 |
| 34 | MAHA UNION HIGH SCHOOL, CHANDEL | 107 | 16679-16785 |
| 35 | ST. PETER'S SCHOOL, CHANDEL | 123 | 16786-16908 |
| 36 | LIWACHANGNING HIGH SCHOOL, KOMLATHABI | 305 | 16909-17213 |
| 37 | MOREH HIGH SCHOOL, MOREH | 173 | 17214-17386 |
| 38 | ST. GEORGE SCHOOL, MOREH | 221 | 17387-17607 |
| 39 | JIRIBAM HIGHER SEC. SCHOOL, JIRIBAM | 333 | 17608-17940 |
| 40 | KASTURBA GIRLS' HIGH SCHOOL, JIRIBAM | 126 | 17941-18066 |
| 41 | BOROBEKRA HR. SEC. SCHOOL, JIRIBAM | 163 | 18067-18229 |
| 42 | CHILDRENS TRAINING HIGH SCHOOL, CCPUR | 163 | 18230-18392 |
| 43 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL, CCPUR (A) | 306 | 18393-18698 |
| 44 | DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL, CCPUR (B) | 226 | 18699-18924 |
| 45 | EBENEZER ACADEMY, CCPUR (A) | 320 | 18925-19244 |
| 46 | EBENEZER ACADEMY, CCPUR (B) | 301 | 19245-19545 |
| 47 | ST. PETERS' SCHOOL, CHURACHANDPUR | 175 | 19546-19720 |
| 48 | GRACE ACADEMY, CCPUR | 168 | 19721-19888 |
| 49 | GANDHI MEMORIAL HIGH SCHOOL, CCPUR | 211 | 19889-20099 |
| 50 | SIELMAT CHRISTIAN HIGH SCHOOL, CCPUR | 229 | 20100-20328 |
| 51 | SIAMSINPAWLPI RESIDENTIAL SCHOOL, C.C.PUR | 237 | 20329-20565 |
| 52 | YOUNG LEARNER'S SCHOOL, CHURACHANDPUR | 187 | 20566-20752 |
| 53 | ASSEMBLIES OF GOD HIGH SCHOOL, P.O. CCPUR | 142 | 20753-20894 |
| 54 | RENGKAI HIGH SCHOOL, CCPUR | 292 | 20895-21186 |
| 55 | PHUNGKHOTHANG GOVT. HIGH SCHOOL | 216 | 21187-21402 |
| 56 | SALT BROOK SCHOOL, CCPUR | 240 | 21403-21642 |
| 57 | MODEL ENGLISH HIGHER SECONDARY SCHOOL, SAIKUL | 175 | 21643-21817 |
| 58 | THANGTONG HR. SEC. SCHOOL, SAIKUL | 141 | 21818-21958 |
| 59 | GOOD SAMARITAN PUBLIC SCHOOL, SAIKUL | 134 | 21959-22092 |
| 60 | MOTBUNG HIGH SCHOOL, MOTBUNG | 276 | 22093-22368 |
| 61 | MORNING STAR ENGLISH SCHOOL, SAPARMEINA | 228 | 22369-22596 |
| 62 | SONGPAO LHINGHAT MEMORIAL HIGH SCHOOL | 154 | 22597-22750 |
| 63 | LETKAM MEMORIAL ENGLISH SCHOOL, S. KHAJANG | 182 | 22751-22932 |
| 64 | KEITHELMANBI HIGH SCHOOL, KEITHELMANBI | 140 | 22933-23072 |
| 65 | ST. FRANCIS DE-SALES SCHOOL, KANGPOKPI | 230 | 23073-23302 |
| 66 | PARIZEAU MARANATHA ACADEMY, KANGPOKPI | 188 | 23303-23490 |
| 67 | T. VAICHONG HIGH SCHOOL, SENAPATI | 175 | 23491-23665 |
| 68 | BISHNULAL HIGH SCHOOL, CHARHAJARE | 176 | 23666-23841 |
| 69 | SANATAN SANSKRIT VIDYALAYA CHARHAJARE, SAPERMEINA | 73 | 23842-23914 |
| 70 | HINDI SECONDARY SCHOOL, KANGLATONGBI | 147 | 23915-24061 |
| 71 | FROEBEL ENGLISH SCHOOL, KANGLATONGBI | 157 | 24062-24218 |
| 72 | ST. JOSEPHS HR. SEC. SCHOOL, SUGNU | 273 | 24219-24490<br>49731 |
| 73 | CHAKPIKARONG HIGHER SECONDARY SCHOOL, CHANDEL | 170 | 24491-24660 |
| 74 | SUGNU HIGHER SECONDARY SCHOOL, SUGNU | 146 | 24661-24806 |
| 75 | NILAPADMA HIGHER SECONDARY SCHOOL, SEKMAI | 261 | 24807-25067 |
| 76 | RIGHT STEP ENGLISH SCHOOL, SEKMAI | 125 | 25068-25192 |
| 77 | HEINGANG HIGH SCHOOL, HEINGANG | 153 | 25193-25345 |
| 78 | ST. THOMAS SCHOOL, KONTHA AHALLUP | 108 | 25346-25453 |
| 79 | SAWOMBUNG HIGH SCHOOL, SAWOMBUNG | 158 | 25454-25611 |
| 80 | SUCCESS SCHOOL, CHINGAREL, SAWOMBUNG | 258 | 25612-25863<br>49493-49498 |
| 81 | PRIM ROSE ENGLISH SCHOOL, KHABEISOI | 293 | 25864-26155<br>49732 |
| 82 | LEISHEMBA MAHEIKOL, KANGLA CHINGAREL | 145 | 26156-26300 |
| 83 | COSMOPOLITAN HIGH SCHOOL, CHINGKHU, PANGEI | 132 | 26301-26431<br>49499 |
| 84 | LAMLAI HIGH SCHOOL, PUNGDONGBAM | 129 | 26432-26560 |
| 85 | ETERNAL SPRING ENGLISH SCHOOL, SEKTA | 171 | 26561-26731 |
| 86 | EMMANUEL ENGLISH ACADEMY, YAINGANGPOKPI | 223 | 26732-26954 |
| 87 | CHING TAM HIGH SCHOOL, YAINGANGPOKPI | 110 | 26955-27064 |
| 88 | LOKTAK CHRISTIAN MODEL HIGH SCHOOL, MOIRANG | 165 | 27065-27229 |
| 89 | MOIRANG MULTIPURPOSE HR. SEC. SCHOOL, MOIRANG | 311 | 27230-27539<br>49500 |
| 90 | LOYALAM PUBLIC SCHOOL, MOIRANG KHUNOU | 154 | 27540-27693 |
| 91 | ANITA STANDARD HIGH SCHOOL, KWAKTA | 235 | 27694-27928 |
| 92 | THANGA HIGH SCHOOL, THANGA | 136 | 27929-28064 |
| 93 | CHILDREN'S MODEL ACADEMY, THANGA | 145 | 28065-28209 |
| 94 | MUKTA HIGH SCHOOL, MOIRANG | 130 | 28210-28339 |
| 95 | MOIRANG HIGH SCHOOL, MOIRANG | 120 | 28340-28459 |
| 96 | NINGTHOUKHONG HR. SEC. SCHOOL, NINGTHOUKHONG | 256 | 28460-28715 |

## BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR
## CENTRE LIST FOR H.S.L.C. EXAMINATION 2022

| CNO | CENTRE NAME | TOT | RANGE |
|---|---|---|---|
| 97 | BISHNUPUR HIGHER SECONDARY SCHOOL, BISHNUPUR | 251 | 28716-28966 |
| 98 | BISHNUPUR PUBLIC SCHOOL, BISHNUPUR | 225 | 28967-29191 |
| 99 | LOYOLA SCHOOL, BISHNUPUR | 113 | 29192-29304 |
| 100 | OINAM HIGH SCHOOL, OINAM | 173 | 29305-29477 |
| 101 | OINAM GIRLS' HIGH SCHOOL, OINAM | 162 | 29478-29639 |
| 102 | NAMBOL HIGHER SECONDARY SCHOOL, NAMBOL | 157 | 29640-29796 |
| 103 | SPECIAL REGULAR ENGLISH SCHOOL, NAMBOL | 143 | 29797-29938<br>49733 |
| 104 | NAREE KALYAN VIDYALAYA, NAMBOL | 137 | 29939-30075 |
| 105 | NAMBOL COLLEGIATE HIGH SCHOOL, NAMBOL | 100 | 30076-30175 |
| 106 | LEIMAPOKPAM PUBLIC HIGH SCHOOL, LEIMAPOKPAM | 110 | 30176-30285 |
| 107 | MEKOLA GULAP HIGHER SECONDARY SCHOOL, KODOMPOKPI | 334 | 30286-30619 |
| 108 | KUMBI HIGH SCHOOL, KUMBI | 123 | 30620-30742 |
| 109 | SANATOMBI ORIENTAL ENGLISH SCHOOL, KUMBI | 128 | 30743-30869<br>49734 |
| 110 | B.K. GOLDEN ACADEMY, KUMBI | 172 | 30870-31040<br>49501 |
| 111 | SAGANG HIGH SCHOOL, SAGANG | 195 | 31041-31235 |
| 112 | WANGOO HIGHER SECONDARY SCHOOL, WANGOO | 157 | 31236-31391<br>49502 |
| 113 | LANGMEIDONG HR. SEC. SCHOOL, LANGMEIDONG | 352 | 31392-31743 |
| 114 | H. KEINAHAL MEMORIAL ENGLISH SCHOOL, LANGMEIDONG | 69 | 31744-31812 |
| 115 | ANK ENGLISH ACADEMY, LANGMEIDONG | 171 | 31813-31983 |
| 116 | LANGMEIDONG AIDED HIGH SCHOOL, LANGMEIDONG | 204 | 31984-32187 |
| 117 | WABAGAI HIGHER SECONDARY SCHOOL | 155 | 32188-32340<br>49735-49736 |
| 118 | AMUTOMBI DIVINE LIFE ENG. SCHOOL, WABAGAI | 130 | 32341-32470 |
| 119 | HEIROK HIGH SCHOOL, HEIROK PART-II | 175 | 32471-32644<br>49737 |
| 120 | HEIROK HR. SEC. SCHOOL, HEIROK PART-I | 275 | 32645-32919 |
| 121 | KAKCHING HR. SEC. SCHOOL, KAKCHING | 199 | 32920-33118 |
| 122 | VICTORY HIGH SCHOOL, KAKCHING | 139 | 33119-33257 |
| 123 | MARTIN GRAMMAR SCHOOL, KAKCHING | 198 | 33258-33455 |
| 124 | KAKCHING KHUNOU HIGH SCHOOL, KAKCHING KHUNOU | 193 | 33456-33641<br>38454-38460 |
| 125 | LALIT MADHOB SHARMA HIGH SCHOOL, KHONGJOM | 255 | 33642-33896 |
| 126 | EURÉKA HIGH SCHOOL, KHONGJOM | 339 | 33897-34235 |
| 127 | WANGJING HIGH SCHOOL, WANGJING | 272 | 34236-34504<br>49503-49505 |
| 128 | KHANGABOK HIGHER SECONDARY SCHOOL, KHANGABOK | 300 | 34505-34804 |
| 129 | WISDOM FOUNDATION, KHANGABOK PT-I | 255 | 34805-35059 |
| 130 | SANGAIYUMPHAM HIGH SCHOOL, SANGAIYUMPHAM | 105 | 35060-35164 |
| 131 | CRESCENT ENGLISH SCHOOL, LILONG | 230 | 35165-35392<br>49506-49507 |
| 132 | LILONG HIGHER SECONDARY MADRASSA, LILONG | 484 | 35393-35875<br>49508 |
| 133 | ISLAMIC ENGLISH SCHOOL, LILONG | 246 | 35876-36121 |
| 134 | LILONG HIGHER SECONDARY SCHOOL, LILONG | 148 | 36122-36269 |
| 135 | AZAD HIGH SCHOOL, YAIRIPOK | 389 | 36270-36658 |
| 136 | POIROU KHONGJIN HIGH SCHOOL, YAIRIPOK | 279 | 36659-36937 |
| 137 | YAIRIPOK HIGH SCHOOL, YAIRIPOK (GOVT) | 208 | 36938-37145 |
| 138 | SEKMAI KHUMBI HIGH SCHOOL (GOVT) | 232 | 37146-37377 |
| 139 | STNBA HIGH SCHOOL, YAIRIPOK | 159 | 37378-37533<br>49509-49511 |
| 140 | P.L.C. ACADEMY, YAIRIPOK | 197 | 37534-37730 |
| 141 | MOIRANGPUREL HIGH SCHOOL, MOIRANGPUREL | 315 | 37731-38045 |
| 142 | CHAOYAIMA HIGHER SECONDARY SCHOOL, THOUBAL | 358 | 38046-38402<br>49512 |
| 143 | THOUBAL LEITANTHEM KANHAI JR. HIGH SCHOOL | 63 | 38403-38453<br>38461-38472 |
| 144 | NEW IDEAL HIGH SCHOOL, THOUBAL | 282 | 38473-38754 |
| 145 | LITTLE STAR ENGLISH SCHOOL, THOUBAL | 377 | 38755-39131 |
| 146 | THOUDAM LEISHANGTHEM HIGH SCHOOL | 239 | 39132-39345<br>49513-49529<br>49738-49745 |
| 147 | PUBLIC ENGLISH SCHOOL, LEISHANGTHEM | 123 | 39346-39468 |
| 148 | N. TOMCHOU HIGHER SECONDARY SCHOOL, MAYANG IMPHAL | 287 | 39469-39751<br>49530-49533 |
| 149 | PISHAKMACHA BIDYA MANDIR, MAYANG IMPHAL | 347 | 39752-40083<br>49534-49548 |
| 150 | THE LAMDING HIGHER SECONDARY SCHOOL, LAMDING | 172 | 40084-40255 |
| 151 | WANGOI HR. SEC. SCHOOL, WANGOI | 248 | 40256-40503 |
| 152 | YUMNAM HUIDROM HIGH SCHOOL, YUMNAM HUIDROM | 159 | 40504-40660<br>49549-49550 |
| 153 | NIRMALA RANI SCHOOL, WANGOI | 135 | 40661-40795 |
| 154 | LITTLE MASTER ENGLISH SCHOOL, SAMUROU | 238 | 40796-41033 |
| 155 | SAMUROU HIGH SCHOOL, SAMUROU | 105 | 41034-41138 |
| 156 | UCHIWA HIGH SCHOOL, UCHIWA (AIDED) | 219 | 41139-41355<br>49746-49747 |
| 157 | UCHIWA GOVT. HIGH SCHOOL, UCHIWA | 262 | 41356-41615<br>49551-49552 |
| 158 | KUMARI HIGH SCHOOL, HIYANGTHANG | 236 | 41616-41784<br>49553-49619 |
| 159 | ST. STEPHEN HR. SEC. SCHOOL, HIYANGTHANG | 135 | 41785-41884<br>41911-41945 |
| 160 | NINGOMBAM JR. HIGH SCHOOL, NINGOMBAM | 192 | 41885-41910<br>41946-42014<br>49620-49716 |
| 161 | RECENT HIGHER SECONDARY SCHOOL, SAGOLTONGBA | 236 | 42015-42038<br>42101-42312 |
| 162 | S.K. IDEAL HIGH SCHOOL, NGAIRANGBAM | 284 | 42039-42100<br>42313-42533<br>49748 |
| 163 | PRAJA HIGH SCHOOL, LAMSANG | 266 | 42534-42799 |
| 164 | KEISHAMTHONG HIGH SCHOOL, IMPHAL | 157 | 42800-42955<br>49749 |
| 165 | IBOTONSANA GIRLS HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL | 310 | 42956-43265 |
| 166 | RAMLAL PAUL HR. SEC. SCHOOL | 273 | 43266-43538 |
| 167 | DON BOSCO HIGH SCHOOL, IMPHAL | 201 | 43539-43739 |
| 168 | C.C. HIGHER SECONDARY SCHOOL, IMPHAL | 285 | 43740-44024 |
| 169 | LAMLONG HIGHER SECONDARY SCHOOL, LAMLONG | 140 | 44025-44163<br>49717 |
| 170 | JOHNSTONE HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL | 306 | 44164-44469 |
| 171 | TAMPHASANA GIRLS HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (A) | 200 | 44470-44669 |
| 172 | TAMPHASANA GIRLS HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL (B) | 200 | 44670-44869 |
| 173 | ANANDA SINGH HR. SECONDARY ACADEMY, IMPHAL | 210 | 44870-45079 |
| 174 | TINY TOTS UNIQUE SCHOOL, IMPHAL | 204 | 45080-45283 |
| 175 | BRIGHTER ACADEMY, NEW CHECKON, IMPHAL | 202 | 45284-45485 |
| 176 | REGULAR ENGLISH HIGH SCHOOL, KWAKEITHEL (A) | 200 | 45486-45685 |
| 177 | REGULAR ENGLISH HIGH SCHOOL, KWAKEITHEL (B) | 200 | 45686-45885 |
| 178 | WANGKHEI HIGH SCHOOL | 201 | 45886-46086 |
| 179 | LILASING KHONGNANGKHONG HIGH SCHOOL, IMPHAL | 218 | 46087-46304 |
| 180 | NONGPOK MAHEIKOL, BRAHMAPUR ARIBAM LEIKAI | 310 | 46305-46614 |
| 181 | ST. GEORGE HIGH SCHOOL, WANGKHEI | 201 | 46615-46814<br>49718 |
| 182 | TEMPLE OF LEARNING, CANCHIPUR | 419 | 46815-47232<br>49719 |
| 183 | MODEL HIGHER SECONDARY SCHOOL, TAKYEL | 251 | 47233-47483 |
| 184 | STANDARD ROBARTH HR. SEC. SCHOOL, CANCHIPUR (A) | 238 | 47484-47721 |
| 185 | STANDARD ROBARTH HR. SEC. SCHOOL, CANCHIPUR (B) | 228 | 47722-47949 |
| 186 | SACRED HEART HR. SECONDARY SCHOOL, POROMPAT | 312 | 47950-48259<br>49720-49721 |
| 187 | S. CHAOBA MEMORIAL ENGLISH SCHOOL | 163 | 48260-48422 |
| 188 | PITAMBARA ENGLISH SCHOOL, KWAKEITHEL | 209 | 48423-48630<br>49750 |